
# থায়না মমাঙঙৈগী ওলিম্পিক গেমস -২
## ওলিম্পিয়া

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মথংগী চহী য়াংখৈরোম খোঙ লমজেল অসিনা ওলিম্পিক্কী অমতা ঙাইরবা মশান্না ওইরম্মী। খৃষ্ট মমাঙ ৭২৪দা ষ্টেদিয়ম অনীরক চেনবা দায়ালস হায়না খঙনবা লমজেল অমা অমুক হাপচিন্দুনা ওলিম্পিক্কী অনীশুবা থৌরম ওইরম্মী। মসিগা হেক থংনবা ওলিম্পিক্তা মিটর ৪৮০০ শাংবা দোলিক্কস কৌবা লমজেল অমা অমুক হাপচিন্দুনা অনৌবা থৌরম অমা ওইখি।

দোলিক্কস হায়না খঙনবা লমজেল অসিদা এথলেটশিংনা ষ্টেদিয়া অদু ২৪ রক হন্না চেল্লম্মী। চহী ১০০ রোমদি লমজেল অহুম অসিনা ওলিম্পিক্কী থৌরম ওইরম্মী। মসিগী মতুংদা পেন্তাথলোন, বোক্সিং, রেষ্টলিং, পানক্রসন, লান্মীগী ফিজোলদা খূৎশু-খূৎলায় পায়রগা লমজেল তান্নবা, শগোল লমজেল অমসুং চেরিয়োট (শগোলনা চিংদুনা শাথৌবা পুবা দোলায় নৎত্রগা গাড়ী) লমজেল তান্নবগী থৌরমশিং হাপচিল্লক্তুনা কুম্মৈ অসি নোংমখক্তমক পাঙথোক্লম্বদগী নুমিৎ মঙানি ফাওবা চথুখি। পেন্থাথলোন অমসুং রেষ্টলিং খৃষ্ট মমাঙ ৭০৮দা হাপচিল্লকখি। পেন্তাথলোন্দা শরুক য়াবা শান্নরোয় অমনা হীরম মঙাদা শরুক য়াগদবনি। হীরমশিং অদুদি লমজেল মতেক (মিটর ১৯২.৮), চেঞ্জোঙ, দিস্কস-লংবা, তা লংবা অমসুং রেষ্টলিংনি। রেষ্টলিং পেন্তাথলোনগী মনুং চনবা হীরম অমা ওইরবসু তোঙানবা থৌরম অমা ওইনা ওলিম্পিক্তা অথোই-অহেন তান্নরম্মী। অদুবু তা লংবা, দিস্কস লংবা অমসুং চেঞ্জোংগীদি তোঙানবা থৌরম ওইনা অথোই-অহেন তান্নহল্লমদে, মখোয় অসিদি পেন্তাথলোনগী মনুংদা অদুমক থনম্মী। অসুম্না এথলেটিক্সকী থৌরমদা লমজেল অহুম অমদি পেন্তাথলোন নত্তনা মসিদগী হেনবা থৌরমশিং য়াওহল্লম্বগী খুদম ফংদে। খৃষ্ট মমাঙ ৬৮৮দা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা ওলিম্পিক্তা বোক্সিং অমসুং ২৫শুবা ওলিম্পিক খৃষ্ট মমাঙ ৬৮০দা চেরিয়োট লমজেল পাঙথোকপা হৌখি।

ওলিম্পিক পাঙথোক্কদবা চহী অদুগী কালেন থাদা জিউসকী লাইশঙ ময়াদা হৌবা চোরফোন পাম্বীশিংনা মপাল শাৎপা হেক হৌরকপগা ওলিম্পিয়াদগী পাউ পুবা নুপাশিংনা গ্রিসকী কাচিন কোয়াদা শিন্থুংনা চত্তুনা ওলিম্পিক হৌগদৌরে হায়না লাউথোক্তুনা মীয়ামদা ওলিম্পিক হৌগদবা নুমিৎ খঙহল্লম্মী। মসিগীদমক স্পোন্দোফোরোইন হায়না খঙনবা লমজেল্লোয় অহুম থারম্মী। শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিয়াদা থা অমগী মমাঙদা থুংলরগা জজশিংগী মখাদা অকনবা চৎনরোল ঙাক্তুনা শান্নবগী শাজেল তৌগদবনি। মখোয়না জিউসকী লাইমাঙদা য়ামদ্রবদা থা




তরাদি ওজা অমগী মখাদা মহাক্লা শরুক য়াগদবা মশান্না অদুদা শাজেল তৌরক্লে অমদি ওলিম্পিক্কী কাঙলোন ঙাক্লা নিংথিনা শান্নবদা শরুক য়াগনি হায়না অমমমতা ওইনা পারি-পুরি তাক্তুনা ৱাশক্লম্মী।

ওলিম্পিক হৌবা নুমিত্তা জিউসতা ঈরাৎ থৌনিবনা মরু ওইবা থৌরম ওইরম্মী। মীরৈবাক্তগী লাকপা অঙম-অথৌশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমসু অহানবা নুমিত্তা পাঙথোক্লম্মী।

শান্নবদা অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরমশিংদি অনীশুবা নুমিত্তা হৌরম্মী অমসুং চেরিয়োট (শগোলনা চিংদুনা পুবা দোলাই) লমজেন্না নুমিৎ অসিগী অহানবা থৌরম ওইরম্মী। মসিদা শগোল মরিনা গাড়ী অমা চিংদুনা পুই, চেরিয়োট লমজেল থোইবগী মনাদি চেরিয়োট থৌরিবা নুপা অদুনা ফংদে, শগোল মপুনা ফংলম্মী। নিংথৌ, অঙম-অথৌ অমসুং ইনাকখুনবশিংনা থৌরম অসিদা থৱায় য়াম্না য়াওরম্মী। মসিদা শরুক য়ারিবশিংনা এলফিয়স তুরেল মপান্দা লৈবা 'হিপোদ্রোম' শগোল লমজেল অমসুং চেরিয়োট লমজেল তান্নফম অদু তরানিথোইরক কোয়রম্মী। মসি চাউরাক্লা মাইল মঙা মখায়রোম নৎত্রগা কিলোমিটর ৮.৮৫১ ওইগনি। খৃষ্ট মমাঙ ৪৬২দা চেরিয়োটশিং অদু অমগা অমগা হেঙ্গৎনবদা লৌশিন্নদুনা থেঙ্গাইনবনা অয়াম্বনি।

চেরিয়োট লমজেল হেক লোইবগা উফুল-ৱাইফুল লৈতঙ্গাই মথক অদুদা শগোল লমজেল তান্নরম্মী। শগোলশিং অদু শাবল হাপ্লমদে, করিগুম্বদা শগোল থৌরিবা নুপা অদুনা শগোলদগী তারবসু শগোল অদুনা ময়ামদগী পন্থুংফম হান্না য়ৌরবদি আহনবা মনা ফংগনি। সাইরাক্সকী নিংথৌ হিরোন্না খৃষ্ট মমাঙ ৪৭৬ অমসুং ৪৭২গী ওলিম্পিক্তা শগোল লমজেল থোইবগী মনা ফংলম্মী




অমদি খৃষ্ট মমাঙ ৪৬৮দা আলসিবিয়াদেশনা মহাক্কী চেরিয়োট তরেৎ ওলিম্পিক্তা শরুক য়াহল্লম্মী মদুদা অহানবা, অনীশুবা অমদি মরিশুবা মনা ফংলম্মী। নিংথৌরেল ক্লাওদিয়স-নেরোনা মশাগী চেরিয়োট থৌদুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারম্মী।

ওলিম্পিক্কী নীনি চনবা নুমিৎকী অতোপ্পা মরুওইবা থৌরমদি পেন্তাথলোননি। থৌরম অসিদা এথলেটশিংনা লমজেল মতেক, দিসকস-লংবা, তা-লংবা, চেঞ্জোং অমসুং রেষ্টলিংদা লম্বা তৌনরম্মী। মসিদা শরুক য়ারিবা এথলেট খুদিংমক্লা হীরম মঙামক্তা শরুক য়াগদবনি।

হুমনিশুবা নুমিত্তা গ্রিকশিংনা ষণ লাবা ১০০ শরেল চল্লগা জিউসতা কত্তুনা অলতিশতা লৈবা অচৌবা-অশেংবা মৈফম অদুদা মৈ থাদোক্লম্মী। অরোইবা নুমিৎ হায়বদি মঙানি চনবা নুমিৎকী অয়ূক্তা খোঙ লমজেল অহুম্মক পাঙথোক্লম্মী। নুমিৎ অসিগী নুংথিলদা বোক্সিং, রেষ্টলিং অমসুং পানক্রসন্দা অথোই-অহেন তান্নহল্লম্মী। থৌরম অহুম অসিদা অরুম্বা মান্নবা মখৈ খন্দোক্লা লম্বা তৌনহনবগী চৎনবী লৈরমদে, বোক্সিং থিন্নফম অমসুং রেষ্টলিং তৌফমগী পাক-চাউবা অকক্লবা অমত্তা লৈরমদবদা নত্তনা অকক্লবা মতম কয়াগী মনুংদা বোক্সিং থিন্নগদবনো অমদি রেষ্টলিং তৌনগদবনো হায়বগী চপ চাবা চৎনবীসু লৈরমদে।

ওলিম্পিক্তা দ্যেটরগী মাইবী মকোক ওইরিবী নুপী অদু নত্তনা কনাগুম্বী নুপী অমত্তনা কুম্মৈ অদু য়েংবা য়ারমদে। কনাগুম্বা নুপী অমনা ওলিম্পিক্তা য়াওরম্বা অমসুং য়েংলম্বা থেংনরবদি অঙম্বা চিংদোন্দগী লংথদুনা হাৎপগী চৈরাক পীরম্মী। থৌদোক অমদা রোহদ ঈথৎকী ফেরেনিস কৌবী নুপী অমা মচানুপা পিসিদোরেসনা বোক্সিং থিন্নবা য়েংনবগীদমক নুপাগী ফিজে

াল শেৎচিন্দুনা ওলিম্পিয়াগী অলতিশ মনুংদা চঙলত্তুনা মচানুপাগী কুম্মৈ য়েংবদা মচানুপানা বোক্সিং থোইবদা হরাওদুনা লাউরুবদগী মহাকপু নুপীনি হায়না খঙলক্তুনা ফাখি। ফেরেনিসকী মপা দায়গোরাস অমসুং মবুংশিং ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইদুনা লৈবাক্লা ইকায়খুম্নবা ইমুং ওইরম্মী। মরম অদুনা জজশিংনা ফেরেনিসপু ঙাকপীখি।

ফেরিনিস - কল্লীপাতররিয়া লুখ্রাবীনি, মহাক্লা নুপাগী ফিজে াল শেৎচিন্দুনা অলতিশ মনুংদা চঙদুনা মচানুপাগী কুম্মৈ য়েংবদা মচানুপানা মায় পাকপা অদুদা হরাওদুনা মচানুপাবু কোনবীবদা মপান থংবা ফি হাইদোরকপদগী নুপীনি হায়বা খঙখি হায়নৈ। অইবা খরগী মতুংইন্নদি পিসিদোরেসনা বোক্সিং থোইবা অদুদা ইখঙ খঙহৌদনা মচানুপানা ঙল্লে হায়না হরাওমন্দুনা খংলাউ লাউরুই, মদুদা মীয়াম্না পিসিদোরেস মপা লৈখিদ্রবা মচানি হায়বা হান্না খঙদুনা লৈবনা লাউরিবা অদু মমা ওইগনি হায়না চিংনদুনা ফাখিবনি। অসুম্না ইরম্মী মদুদি ফেরেনিসনা মচাগী ওজা শাদুনা অচোনবা ফিজোল শেৎতুনা অলতিশতা চঙদুনা মচাগী মপূক্লিং থৌগৎলম্মী।

মমাঙঙৈগী ওলিম্পিক্তা শান্নরোয়শিংনা মফি থোংলমদে। খুদমদি এথেনিয়ানগী খৃষ্ট মমাঙ ৫৩০দা শারম্বা ঈশিং হাপ্নবা খূৎপাইফম অনী পানবা খুজাই অমদা মফি য়াওদনা লমজেল চেনবগী শক্তম অমা য়েকপা থেংনৈ, লাই অয়েকপা অসি গেবোন রিপব্লিক্কী পোষ্টেল ষ্টাম্পদা ফোঙলম্মী। ওলিম্পিক্তা শান্নরোয়শিংনা ফি থোংদবগী ৱাফম অসি য়াম্না মুন্না খন্ননীংঙাই ওই মরমদি এজিয়ান অমসুং হোম্মরিক্কী মতমদা শারম্বা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা কোল-লিকশিংদা য়েক্লম্বা শক্তমশিংগী মতুংইন্না ওলিম্পিক্তা ফি অকৌবা শেত্তুনা শরুক য়াবগী মওং উত্তুনা তাকই। সাইপ্রস অমসুং গ্রিসকী পোষ্টেল ষ্টাম্পশিংদা গেমশিং অসিদা মফি অকৌবা শেৎপগী মওং উত্তুনা ফোঙই। গ্রিসকী ওলিম্পিক ষ্টাম্পতা খূৎপায়ফম অনী পানবা খুজাই অচৌবা অমদা য়েক্লম্বা এপ্রোন শেৎলগা রেষ্টলিং তৌনবগী লাই অমা লৌতোক্লগা উৎলি। এথলেটশিংনা ফি থোংদবা অসি খৃষ্ট মমাঙ ৭২০দগী হৌরকপনি হায়নৈ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মৈতৈ ইরৈপাকচাশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা হায়জবা- য়াওশঙ থাবল চোঙবা তোক্লসে, তোকপীরো

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

চহী কয়াগী মমাঙদগী লমতা থাগী থানিল নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি শুটি থাদুনা থাবল চোঙবা অদুম চৎনরক্লি। অদুগা হৌজিক্লা ঈরাংগী চৎনবী ওন্থোক্তুনা, ঈরাং কৈথেল কাদুনা থাখায় অমা ফাওবা হেন্না মতম মাঙহন্দুনা থাবল চোঙনরি। থাবল চোঙবদি খ্বাইদগী ফত্তবা থবকনি। ঙসি মৈতৈ লৈবাক মণিপুরবু মাঙহনবদি থাবল চোঙবননি। অদুনা লৈখা তানা মাঙলবা মৈতৈ খুন্নাই পূম্বা কন্নবা পাম্বৈদি থাবল চোঙবা তোক্লসে, তোকপীরো। অদুগা য়াওশঙ মৈ থাবা লোইরগা পিক্লিবা অঙাং চহী ২/৩ শুববু য়ূমথোঙ খুদিংদা পূন্না চৎহন্দুনা শেল খায়হনবীগনু। শেলগী মগুন-মহাও খঙহনবীগনু। য়াওশঙদি থায়না মমাঙঙৈদগী হৌনা শঙ শানবা হুরানবগী থবক ঙাক্তনি।

য়াওশঙ হায়বসি মৈতৈগী ঈনাৎকী চৎনরোল ইরোলদা চিঙু ইবুংঙো ইপুথৌ পাখঙবনা পোকপা শঙবু 'য়াওনশঙ' হায়না কৌএ। ইপুথৌ পাখঙবনা পোকপা থাদি লমতা থাগী থানিল নুমিৎতা পোকএ। নুমিৎ অসিদি ইপুথৌ পাখঙবা ঈরাৎ থৌনিজবা নুমিৎনে, ঐখোয় পূম্নমক্লা ঈরাৎ থৌনিমিন্নরগা তোক্লসে। অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী হৈনবী থাদোক্লসে। মসিবু মৈতৈ ইরৈপাকচাশিংনা হোয়াবীয়ু, মণিপুর লৈঙাক্লসু থিংবিয়ু, য়াওশঙ শুটি নোংমদগী হেন্না থাবীগনু। ৱারী অসিগী অচুম-অরানদি মীয়াম্না থিবিও, শোয়দবা ৱানে খঙবীও।

*অদোমগী - সোইবম গুনিন্দ্রো মৈতৈ*
*কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়*

## ঙসিগী পরিক্ষা অমদি এদ্যুকেসন

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুরগী কোসেম অমদি বোসেম্না লৌবা পরিক্ষা খুদিং অমদি এম পি এস সীনা লৌবা পরিক্ষা ফাওবা পরিক্ষা থাবা ৱাহং চে শেম্বা, পাউখুম চে য়েংবা ফাওবদা চহী খুদিংগী হুরানবগী থবক, পুকচেল শেংদবা, মীনম্বা, মমৈদা মহৈরোয় খুন্নাইনা ফারকপা কয়া য়াওখ্রে। এম পি এস সীগী পরিক্ষাদা হায় কোর্ট ফাওবা য়ৌনবা য়াওখ্রে। মসিনা মহৈরোয়শিংদা নীংবা কায়নবা মচাক ওইবা, মগুন লৈবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপদা অসুক্কী মতিক অপনবা পীবা অসি মণিপুর ষ্টেট নত্তনা মালেমদা লৈরোই। হৌখিবা চহী খরা অসিদা পোজিসন লেপ্পা মহৈরোয় ফেল ওইহনবা থেংনখ্রে। চহী খুদিংগী ৱাহং চে লিক ওইবা অসি থোক্তবা য়াদবা থৌদোক ওইরি। মসি পূম্নমক ঙসিগী ওজা ওইরিবা অমদি ঙসিগী মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় কয়ানা ৱাদনা, নুংঙাইবা পাম্বদগী অয়াম্বা থোকপনি।

মহৈরোয় ওইরিবা কয়ানা হোৎনদনা অৱাবা খঙদনা মায় পাকপা পাম্বদি খরবু ফরে। মহৈরোয়গী মমায় চুমগদবা, তুংগী খুন্নাই শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবা ওজা কয়ানা হুরানবা অমদি মীনম্বা য়াওনা মহৈরোয় শেম্নবা হোৎনরম্বা অসি য়াম্নমক অশোয়বা অমনি। মীরোল অমা মাঙহন্নবা হোৎনরম্বা খুদিংমক অকনবা চৈরাক ফংদনীংঙাই করি লৈগনি। মখোয়বু মতিক চাবা চৈরাক ফংহনফম থোকই। অসিগুম্বা কয়াসি অহকপা চৈরাক ফংদবনা চহী খুদিং কাউবা য়াদবনি।

অতোপ্পা অমনা বোর্দনা পরিক্ষা য়েংশিন্নবা মীওই খল্লগা সেন্টর সেন্টরদা থাবীরিবা অসিদা করিগুম্বা কনাগুম্বা মহৈরোয় অমনা অরানবা তৌরে হায়বসি অশেংবা খঙদ্রিমখৈ পরিক্ষা পীরিবা মহৈরোয় অদুদা অহেনবা হরাসমেন্ট পীরোদবনি। পক্ষিাগী পুং অহুমগী মতম হায়বসি মহৈরোয় অদুদা সেকেন্দ অমা মাঙহনবা য়াবা নত্তে। মসি খল্লগা পরিক্ষা য়েংশিনবীনবা থাবীরিবা মীওইশিং অদুবু কদাই ফাওবা চুম্না অমদি কয়াম এক্সপার্ট ওইবা মীওইনো হায়বসি চাংয়েং তৌবা, মখোয়দা ত্রেনিং কয়া নীংথিনা পীবা য়াওবগে? হন্দক বোসেম্না লৌবা পরিক্ষাগী তাং ১৭তা লমশাং এ সীগী মনুং চনবা প্রজা হায় স্কুলদা থোকখিবা থৌদোক অদু পরিক্ষা য়েংশিনবা লাকপশিং অদু মতিক চাদবা অমদি খঙবা ৱাৎপগী মমি চাউনা তাই। মরমদি মহৈরোয় অসি পরিক্ষাদা আনোক উপ্পী অদুগা এদমিট কার্দকী ফোটোদনা আনোক য়াওরমদে অদুগা ফোর্ম ফিল-অপকী খূৎইগা মশাগী খূৎইগা মান্নদে অসিনি। অদুবু অঙাং অদুগী মমা-মপা, মাগী স্কুলগী হেদ মাষ্টর কৌদ্রিঙৈদা অঙাং অদুবু রেগ্নিং তৌবগী মহুৎ মাগী পরিক্ষা কায়দনা পীহল্লগা কোন্না হেদ মাষ্টর অমদি মমা-মপা কৌবীদুনা ভেরিফিকেসন নিংথিনা তৌদুনা মরাল লৈরম্লবদি মরালগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনবা, মরাল লৈরমদ্রগনা অঙাংদুগী পুন্সি কনবীবা, অসুম্না চথরম্বনা হেন্না ফৈ। হৌজিক্তি অঙাংদু নোর্মেল তাদ্রে অদুগা লৈবাক ৱাথোক ওইদুনা এসেমব্লি ফাওবা য়ৌনখ্রে। অদুনদি বোর্দনা পরিক্ষা য়েংশিন্নবা থারিবা মীওইশিং অদু মতিক চাবা, এক্সপার্টনি করম্না হায়গনি। থৌওং অদুদি মখোয়দা থৌনা খরা শীন্নরে, মরম অদুনা অচুম-অরান থীবা হৈতনা মশা-মশাগী এক্সপার্টসু ওইদনা পীরিবা থৌনাদু লান্না শীজিন্নৈ হায়বদা করি অরানবা লৈগনি। অদুনা বোর্দনা পরিক্ষা য়েংশিন্নবা মীওই খনবদা মহৈরোয় অমগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা খনবা মীওই খল্লুবগী মহয়নি অঙাং অদুদা ফংলিবা চৈনা অদু।

মহৈরোয়শিংগী অশোয়-অরান কয়া কূপ্না মীনুংশিগা লোয়ননা অচুম্বা লম্বীদা পুশিল্লকপা ঙম্বা অদুবুনি এক্সপার্ট হায়রিবসি। মরম ঙসি অচুম্বা খঙদ্রিবা অঙাং কয়াদুগী মরক্তা অচুম্বা খঙলকপা মতমদা লৈবাক অসিগী তাঙলবা লন ওইরকপসু কনানা তম্বা ঙমগনি। মরম অসিনা অঙাং খুদিংমক মশা-মশাগী টেলেন্ট তোঙান তোঙানবা হীরমদা শোয়দনা লৈফম থোকই। অদুনা মমা মপা অমদি ওজাশিংনা অঙাংগী টেলেন্ট ফজনা খঙদোকপীদুনা শুপ্নগী পরিক্ষাগী মার্কখক্তদা বেজ তৌবা নত্তবা মখোয়গী অচুম্বা লম্বী অমা পুরকপা, মখোয়বু হরাসমেন্ট পীবীদনা মীনুংশি য়াওনা মতম চংনা য়েংবীবা চংই। অঙাং অমা নুপী ওইবা য়াই নৎত্রগা নুপা ওইবা য়াই মখোয়বু মীনুংশি য়াওদনা অচুম্বা লম্বী পাম্বনি, মগুন য়াওবা এদ্যুকেসনগী ফম্পাক য়ৌনবনি হায়না মখোয়বু কিহন খংহনবা তৌবা অসি অঙাংদু অরানবা লম্বীদা চৎখিদুনা খুন্নাই অসিগী য়েক্লবা ওইরক্তুনা মমৈদা অকায়বা কয়া লাকপসু য়াই।

মার্ক ৱাংনা ফংবা অমদি নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা পোজিসন তানবদগী মনুং হুৎনা হৈহনবনা মমল নাইদ্রবা হিরানি। মসি খঙলকপা নুমিত্তা ঙসিগী মগুন লৈবা মহৈরোয় খুন্নাই পুথোকপা ঙমগনি। মসিনা অফবা তুংগী খুন্নাই অমগী থাজবা চাউনা থম্বা ঙমগনি। মহৈরোয়গী খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি মার্ক ৱাংবদগী মমুৎ তানা খঙবা হৈবনা হেন্না মমল লৈ খনবীবা চুমগনি। মালেম তাইবঙ অসিদি হন্দক্কী মীরোল অসিখক্তগী ওইদে মমাঙ হৌজিক অমদি তুংগী মীরোলগী তাইবঙনি। অসুক লুখ্রবা মতম অহুমগী তাইবঙ অসিবু মীনুংশি য়াওদবা অমদি অরানবা পাম্বৈনা খুল্লিংবা ওইহনফম শুকথোক থোক্তে।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

## কনানো মৈতৈ নোংশা অমতংদি থোকপীরকউদনা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুর হীরম খুদিংদা মীপান তাংদুনা হিংই হায়বসি অমুক হায়রুদ্রবসু য়ারবা ৱাফমনি। মণিপুরগী পোথোক অমত্তা ইন্দিয়াগী অমদি মালেমগী অতৈ লমশিংদা পাম্লিবা মফম অদুদা মতম চানা য়ৌহনবা ঙম্বা মণিপরীশিং লৈতে হায়রবসু পংলান লানগদৌবা মান্দে। খুদম ওইনা মণিপুরগী শীঙ মপান লমগী মীনা য়াম্না পাম্মী হায়নৈ। অদুবু মসি মণিপুরগী মপান্দা করবারগীদমক টাটা লোদ কয়া পুদুনা চৎপদা লম্বীদা অথিংবা কয়া পীবা মরম্না পুমশিল্লকপনা হেল্লি হায়নরি। মতম অমদা মণিপুরগী কিহোম রসিয়ানা টন অদুক পীয়ু হায়রে পীবা ঙমদ্রে হায়বনচিংবা। মসি পূম্নমক পীবা ঙল্লমদবসু য়াই। মসি পূম্নমক্কী খ্বাইদগী মরু ওইবদি মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্টরেষ্ট লৈনা পাম্লিবা মফম অদু য়ৌনা চাং নাইনা অথিংবা লৈতনা চৎখিনবগী রুট অমা শেম্বীদবদগী অরেম্বদা তোকখিবা ঙাক্তা ওইরমগদ্রা খল্লি।

হৌজিক মণিপুরীশিংনা করি তৌরগা শেল তানগদগে হায়বসিদা ৱাখল য়াম্না খন্থগদবা মতমনি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনখিবদগী মীতোপ চঙশিল্লকপগী মশীং য়াম্না হেনগৎলকখি। মণিপুরীশিংনা হান্না শূরম্বা থবকশিং মীতোপশিংনা অহোঙবা মমলদা শূদোকখিদুনা শূফম লৈরক্লরোই।

মতম অমদা লৈঙাক্কী থবক ফংহৌদ্রবা নহা অমনা করি তৌসিগে থিরকপদা য়েন, ঙানু অমদি ওক লোয়বনচিংবা কয়া তৌনরম্মী। অদুবু মসিসু মপান লমদগী হোংনা থাজিল্লকপনা হায়রিবা করবার অসিসু শিজিল্লক্লি। মীয়াম্না হায়নরি, মণিপুরীশিংদি মী অমনা করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা খরা কান্নবা উরবদি হায়রিবা থবক অদুদা পুল্লপ হেক্তা তৌরগা পুল্লপ মাঙমিন্নৈ হায়দুনা। মসি ৱাখল থোক্তবা মীদুনা তৌরিবদুদা কান্নগদরা খনবদগী তৌরিবনি। মসি পূম্নমক্কী মরুওইবদি মণিপুরদা অখঙবা, অহৈবা করি তৌরগা শেল তানবা য়াবগে হায়বগী ৱাখল পুথোকপা ঙম্বী মীগী মশীং য়াম্না তাঙবদগীনি হায়নীংই। মণিপুরগী মপান্দা মতম খরা লৈরুরগা অদুদা, অদা তৌহৌরে হায়না পাউদম্বা অমদি ফোটো খরা কাপ্লগা পুরকপা ওইনা তৌই। মীরমদা তৌরিবদু করম্না তৌরিবনো হায়বগী চপ চাবা নোলেজ অদুদি পুরক্তে।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মণিপুরদা মেদিসিনেল প্লান্ট য়াম্না হৌরি। মসি মপান্দা থাদোক্তুনা মণিপুরীশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনসি হায়দুনা খন্নরকপা মতমনি। মণিপুরীশিংনা পুথোকপা য়ু, গঞ্জা, পোপি অসি হীদাক ঙাক্তনি অদুগা এক্সপোর্টসু ওইরবনি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি মপান্দা থাদোক্তুনা অচৌবা শেঞ্জাও তান্নবা হোৎনহৌবনা ফগনি খঞ্জে। অদুদি নত্তবদা খঙবোই-খঙদবোই তৌবা থবক্তা শেল তান্নবা হোৎনবদি কান্নবা ফংলোই। অদুগা মীপূম খুদিংমক থিকা পীবা নৎত্রগা লৈঙাক্কী থবক তৌহনবা হায়বসিমা ওইররোইদবা ৱাফমনি। মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং, সী এস ওশিং অমদি ইন্টিলেকচ্যুএলশিং নহাক্কী নচা-নশুশিং অমদি মণিপুরী মীয়ামদা করি তৌরগা শেল তানবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা নখোয়গী ওইবা করি সজেসন হংলকপদা চান্নবা পাউখুম পীরক্কনি থাজদে। অমরোমদা অমুক মৈতৈ মচাশিং অসি পংয়েৎতা য়েৎপগী হৈনবী অমসু লৈরি। মী অমনা নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমনা করিগুম্বা অমা হৌদোরকপদা ফত্তবদু হান্না পুথোক্তুনা য়েৎপগী মহুত্তা অফবা মায়কৈদা খন্নবা খরসু তম্লসি। য়েৎলিবমখৈ অনী থোকপা, অহুম থোকপা শোয়দ্রবনি।

অমরোমদা অমুক চীংমীশিংদি মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙসি ফাওবদা গঞ্জা, পোপি থাদুনা শেল তাল্লি। মখোয় মশেল য়েৎনদে, য়েংশিন্নদে। সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা য়াম্থৎতুনা মাঙহল্লি হায়বসি মমিংতগী ওইনা খজিক খরাক্তনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি গঞ্জা অমদি য়ু লিগেলাইজ তৌহনবা পাম্মী। মসি পূম্নমক মীয়াম্না সপোর্ট তৌদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবীরবদি মীয়ামদা য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওইগনি। মসি নত্তবদা কনাগুম্বা মথৌনা লৈবা মীওই অমা থোরক্তুনা কোর্টতা ফাওবা ফাইট তৌনদুনা পোপি, য়ু, গঞ্জা অসি মেদিসিন ঙাক্তনি, মসি আইননা য়াবা মওংদা থাহন্দুনা অমদি মপান্দা থাদোক্তুনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবীয়ু হায়না কোর্টকী মতেং পাংবা ওইনা কোর্টকী ওর্দর ফাওবা লৌবিরবদি য়াম্না ফগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট খরদসু য়ু, গঞ্জা লিগেলাইজ তৌবা মরম্না কোর্টনা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

*অদোমগী - রাকেশ য়ূম্নাম*
*টোপ অৱাং লৈকায়, টিনসিদ রোদ*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।